## য়ু এসনা খোব্রাগাদেগী মথক্তা লৈরিবা কেসশিং লৌথোক্কদবনিঃখুরসিদ



*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৯ঃ* ন্যু য়োর্কতা লৈবা ইন্দিয়ন দিপ্লোমেট দেবয়ানি খোব্রাগাদে ফাদুনা চথখিবা থৌওং অদুনা ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসকী মরক্তা লৈরিবা মমল য়াম্লবা মরী অদু কায়হন্দনবা হোৎনগদবনি হায়না ফোরেন মিনিষ্টর সলমান খুরসিদনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

টি ভি চেন্নেল অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অনীনা ইনবেষ্টমেন্ট কয়া তৌনদুনা মতেং পাংনরি। অদুগুম্বা মরী অদুদা খুদোংচাদবা থোকহন্নীংদে হায়খি।

থোকখিবা তুজুংনিংঙাই ওইরবা থৌদোক অদু মরুপ–মপাংশিংগী মরক্তা থোকপনি। হৌজিক মরুপ মপাং মরী অদুদি অদুমক হিংলি। মদু চাংয়েং অমনি হায়খি।

ৱাফম অদু মহাক্না য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিগা উনদুনা ৱারী শাথ্রবা মতুং নোংমা কোনবদা ফোঙদোরকখিবনি।

# নরেন্দ্র মোদিগী রেল্লি য়াওননবা মুম্বাইগী লম্বী মতাইদা চা য়োনবশিং ভি আই পি পাস পীরম্লে

*মুম্বাই, দিসেম্বর ১৯ঃ* ভারতিয়া জনতা পার্টিগী প্রাইম মিনিষ্ট্রিয়েল মীরেপ নরেন্দ্র মোদিগী নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা রেল্লিদা শরুক য়াননবা মুম্বাইগী সরক মতাইদা চা য়োনবা মীওই ১০,০০০ ভি আই পি পাস পায়খ্রে।

বি জে পিগী লুচিংবা রাজ পুরোহিতনা শগোলশেন নুমিত্তা সাওথ মুম্বাইগী চা য়োনবশিং অদুদা স্পিসিয়েল ইনভাইট তৌদুনা নরেন্দ্র মোদিগী নোংমাইজিং নুমিত্তা বন্দ্রা–কুরলাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রেল্লিদা শরুক য়াননবা বার্ত্তণ তৌরমখি।

মোদিনা রাজনিতিগী অদুগুম্বা অচৌবা খোঙথাং অদু লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা অহমেদবাদ রেলৱে ষ্টেশন্দা চাইৱালাশিংবু ইকায়–খুম্নবা উৎলমখি।

থৌওং অদুদা কংগ্রেস পার্টিনা নোক্লবগা লোয়ননা মহাক্কী পুন্সি হৌরকপনি হায়না ফোঙদোক্লি। মহাক চা য়োনবগী শিনফম অদুদা হন্থবনা চুমগনি। নৎত্রবদি লৈবাক অসি য়োম্থোক্লমগনি।

মরম অদুনা মহাক্না চথগদৌরিবা রেল্লি অদুদা চা য়োনফম হাংদুনা মহাকপু চীফ গেষ্ট ওইনা ওক্কনি হায়না পুরোহিতনা মখা তানা মেদিয়াশিংদা ফোঙদোকখি।



ভি আই পিগী ইনভাইটেশন কার্দ ফংবা অদুদা লাংতক্লরদুনা চা য়োনবশিংনা মখোয়গী দুকানশিং থোঙ লোন্দুনা নরেন্দ্র মোদিগী মহা গরজানা রেল্লি অদুদা শরুক য়াননবা লেপ্নখ্রে।

পুরোহিতনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নরেন্দ মোদিনা চাইৱালাশিংগীদমক মরু ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্কনি। মদুদা চাইৱালাশিংনা পূক্নিং চঙনা নরেন্দ্র মোদিগী ৱাফম অদু তাগনি।

চা য়োনবশিংগী ফোটোশিং পোষ্ট খূদিংমক্তা নপকনি। বি জে পিগী এক্তিভিষ্টশিংনা য়ূমথোঙ খূদীংমক্তা চঙদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা রেল্লি অদু য়াওননবা মীয়ামদা হায়জরি।

মেদিয়া য়াওবা মীফমশিং শীজিন্নরদুনা বি জে পিনা মীয়াম্বু হেন্না পূক্নিং চিংশিন্নবা অমদি সহর অদুগী চাইৱালাশিংবু পূক্নিং থৌগৎনবা হোৎনরি হায়না বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অসিস সেলরনা ফোঙদোরক্লি।

পার্টি অদুনা রেল্লি অদুগীদমক স্পিসিএল ওইনা ফোন নম্বর এরেঞ্জ তৌরে। মদুনা মীয়াম অদু লৌখত্তুনা রেল্লি অদু য়াওহন্নবা শীনগনি হায়রি।

রেল্লি য়াওবা মীওইশিংগী য়ূমগী মনাক্তমখোয়বু লৌখৎনবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎলি। বি জে পি ষ্টার স্পীকরনা হায়খিবদা, বি জে পিগী প্রসিদেন্ট রাজনাঠ সিংহনা রেল্লি অদু লমথাগনি।

হান্নগী চীফ নিতিন গতকারি, সেনিয়র লীদর গোবিনাঠ মুন্দে, ষ্টেট পার্টিগী লুচিংবা দেবেন্দ্র ফদনাভিস, লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ওপোজিশন লুচিংবা ইকটানাঠ খরসে, লেজিসলেটিভ কাওন্সিলগী ওপোজিশন লীদর কৱাদেনচিংবা লুচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াগনি।

বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি রাজিব প্রতাপ রুদ্দিনা রেল্লি অদুগীদমক চয়োল অহুমগী মমাঙদা য়েংশিন্দুনা লাক্লি। মহাক্না রেল্লি অদু অখন্নবা রেল্লি অমা ওইহনবগা লোয়ননা অচৌবা মীটিং অমা ওইহন্নবসু শীল্লি হায়খি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### পৈশা অমদি এ টি এম

*বিসি ৬৮৭–৬৫২ অদুৱাইদা এন্সিয়েন্ট মিদল ইষ্টর্ন কিংদম লিদিয়া হায়বা মফমদুদা পুথোকখিবা কোইন্না মালেমগী ওইনা ইহান হানবা কোইন ওইরি। সনা অমদি সিলভরনা পুল্লগা শাবা কোইন অদু ষ্টেটরস হায়না খঙনৈ। চেগী পৈশা (বেঙ্ক নোট) না সেঞ্চুরি ১৩ শুবদা চাইনানা পুথোকখিবনা ইহান হানবা চেদা নম্বা পৈশা ওইরি। ইহান হানবা য়ুরোপিয়ান নোটনা ইং ১৫৪৮ দা স্বিদেনদা পুথোকখিবা নোটনা ওইরি। ইং ১৬৯০ দা অমেরিকাদা অমদি ইং ১৬৯৫ দা ইংলেণ্ডদা বেঙ্ক নোটশিং শিজিন্নবা হৌখি।*

*মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা কোইন অসি ইং ১৬৪৪ দা স্বিদেন্না শাখিবা লুম্বনা কেজি ১৯.৭১ লুম্বা টেন–দেলর কোপ্পর কোইননা ওইরি। খ্বাইদগী পিকপা কোইননা ইং ১৭৪০ দা নেপালনা পুথোকখিবাগ্রাম ০.০০২ লুম্বা কোইননা ওইরি। খ্বাইদগী চাউবা বেঙ্ক নোটনা ১৪শুবা সেঞ্চুরিদা চাইনাদা পুথোকখিবা ৱান–গুৱান চাইনিজ নোটনা ওইরি। হায়রিবা চেদা নম্বা পৈশাসি সেন্টিমিটর ২২.৮ পাকই, সেন্টিমিটর ৩৩ শাংই। খ্বাইদগী পিকপা বেঙ্ক নোটনা ইং ১৯১৭ তা পুথোকখিবা রোমানিয়ান টেন–বানি নোটনা ওইরি। মসিগী নোটসি পোষ্টেজ ষ্টাম্প অমদগী খজিকখক হেনগৎনা মিলিমিটর ২৭.৫ পাকই অদুগা মিলিমিটর ৩৮ শাংই। মালেমগী ওইনা ইহান হানবা ওটোমেটেদ টেল্লর মেছিন, নত্রগা কেম্পপোইন্ট অশম্বীদা এটিএম অসি লণ্ডন্দা চৎনবা হৌখি। ইং ১৯৬৭ কী জুন ২৭ তা লণ্ডনগী ইনফিল্ড হায়বা মফমদা লৈবা বরক্লেজ বেঙ্কতা এটিএম অসি চৎনহনবা হৌখি।*

# আম অদামি পার্টিনা দিল্লিদা সরকার শেম্নবগী চপ চাবা মতম খঙহল্লক্লবা সেন্টরনা লেফ্টনেন্ট গভর্ণরদা খঙহনখ্রে



সুশিলকুমার সিন্ধে





কেজ্রিৱাল

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৯ঃ* য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর সুশিলকুমার সিন্ধেনা শগোলশেন নুমিৎতা দিল্লিগী লেফ্টনেন্ট গভর্ণর নাজিব জংদা আম অদামি পার্টিনা দিল্লিদা সরকার শেমগদৌরিব্রা। মদুগী চপ চাবা মতম হায়রক্লবা খঙহনখ্রে।

সুশিলকুমার সিন্ধেনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা দিল্লিগী লেফ্টনেন্ট গভর্ণরগা পাউ ফাওনদুনা আম অদামি পার্টিনা দিল্লিদা সরকার শেম্নবগী অকক্লবা চপ চাবা মতম অদু খঙহল্লক্লবা হায়খ্রে।

আম অদামি পার্টিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সহর অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী অপাম্বা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবা লৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

কংগ্রেস পার্টিগা লোয়ননা মখোয়না সরকার শেম্নবগী লৌরিবা ফিরেপ অদু ময়েক শেংনা খঙহনবা দরকার ওই।

মেদিয়াদা মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, আম অদামি পার্টিগী লুচিংবা কেজ্রিৱালদা কংগ্রেস পার্টিনা কন্দিশন অমত্তা য়াওদনা শৌগৎকনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে। অদুবু লুরিবদি সরকার শেম্নবগী অকক্লবা মতম খঙহল্লকপদুনি। মদু দিমোক্রেসিগী তঙায়ফদবা মচৎ অমনি।

আম অদামি পার্টিগী লুচিংবা অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা পার্টি অদু মীয়ামগীনি। সহর অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী অপাম্বা য়েংলগা থবক তৌগনি। লোয়ননা মথংদা করি তৌগদগে হায়বদু লেপকনি হায়খি।

মহাক্কী পার্টিনা দিল্লিদা লৈবা মীওইশিংদা মখোয়গী অপাম্বা ফোঙদোরক্লবা চিঠি লাক্ষ ২৫ য়েন্থোকখ্রে। লোয়ননা মীয়ামগী অপাম্বশিং অদু ফোন তৌরক্তুনা নৎত্রগা মেসেস থারক্তুনা ফোঙদোরকপা য়াবগী হক পীখ্রে। মদুদা নত্তনা পার্টি অদুনা কংগ্রেস অমসুং বি জে পিদসু চিঠি ইদুনা মখোয়গী অপাম্বশিং অদু ফোঙদোকখ্রে।

কংগ্রেস পার্টিনা কন্দিশন অমত্তা য়াওদনা শৌগৎকনি হায়খ্রে। অদুবু বি জে পিনদি ইস্যুদা বেজ তৌরগা শৌগৎকনি হায়রি। দিল্লিদা মরু ওইবা ৱাফম ১৮ লৈরি। মদুগী মতাংদা কংগ্রেস অমসুং বি জে পিদা মখোয়গী মত ফোঙদোরক্লবা হায়খিবনি।

অদুবু বি জে পিনা ৱাফম অদুদা মচিন–মনাও ওইবগী দায়ত্ব অদু লৌরক্তবদা অঙকপা ফাওই হায়খি। কংগ্রেস পার্টিনদি আম অদামি পার্টিনা খঙহল্লকখিবা পোইন্ট ১৮গী মনুংদা ১৬তি এদমিনিষ্ট্রেশনগা মরী লৈনৈ। অতোপ্পা পোইন্ট অনী অদুদি সপোর্ট তৌবা ঙমগনি হায়রকখি হায়রি।

পার্টি অনীমকপু মরাল শীরদুনা কেজ্রিৱালনা হায়খিবদা, মখোয়গী লুচিংবশিং অদু লৈতাফম খঙদ্রে। মখোয়না অনৌবা মীখল অমগীদমক পার্টি অদুবু চেলেঞ্জ তৌরি। অমুক্কসু হন্না হায়রি মদুদি, কম্মন মেন অমনা অদুগুম্বা ৱাফম অদুদা চেলেঞ্জ তৌরোই। মখোয় ঈৰাং থোক্লনবা শীনবা কাঙবুনি হায়না মরাল শীরি।

কেজ্রিৱালনা থারকখিবা চিঠি অদু কংগ্রেসনা মাঙজৌননা ফংখ্রবনি। মরু ওইবা ইস্যুশিংদি মখোয়না থোকহনবনি। মদু পূম্নমক রাজনিতিগী ওইবা ৱাফমশিংগা মরী লৈনৈ। অদুগুম্বা ফীভম অদুদা মখোয়গী সপোর্টনা সরকার শেম্বগী দরকার ওইদে হায়খি।

দিল্লি কংগ্রেসকী ইন–চার্জ পুরিবা সাকিল অহমদনা হায়খিবদা, দিল্লিদা সরকার শেম্নবগীদমক পার্লিয়ামেন্টতা খন্নবগী মথৌ তাদে। কেজ্রিৱালনা থাংজ নুমিত্তা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধি অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টিগী প্রসিদেন্ট রাজনাঠতা মখোয়গী ওইবা ফিরেপশিং খঙহল্লক্লবা চিঠি ইখিবনি।

# থা মঙা চুপ্না ফাজিন্দুনা থম্লুরবা ইন্দিয়াগী হি হোনবা সুনিল জেম্স অমসুং ক্রু মেম্বর টোগোদগী থাদোরক্লে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৯ঃ* অফ্রিকাগী টোগোদা তা ৫ চুপ্না ফাজিন্দুনা থম্লুরবা ইন্দিয়ন সেলরশিংনা থাদোরকখ্রে। সেলরশিং অদু চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই থাদগী অফ্রিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা টোগোদা ফাজিন্দুনা থম্লকখিবনি।





ইন্দিয়ানা মখোয়বু থাদোকপী–রক্লবা প্রসিদেন্ট ফৌর নাসিংবেদা কেম্পেন্সেশন গ্রাওন্দদা মখোয়বু থাদোরক্লবা তকশিনবগী মতুং ইন্না থাদোরকখিবনি হায়রি।

জহাজ অদুগী কেপ্টেন সুনিল জেম্স অমসুং ক্রু মেম্বর অমা থা ৫ চুপ্না সমুদ্রগী ডাকুশিংগা শম্নে হায়বগী মরালদা লল্লোন–ইতিক্কী জহাজ অদুগা লোয়ননা সেঞ্চুরিওন ওসীনগী নাইজেরিয়া সমুদ্র খোংবান্দগী ফাখিবনি।

জুলাই ১৬তা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা টোগো ওথোরিটিনা ইন্দিয়ন সেলরশিং অদুবু পাইরেটশিংদা মতেং পাংই হায়না মরাল শীদুনা ফাজিনখি হায়না মেদিয়াশিংনা রিপোর্ট তৌরকখি।

ফাজিনখিবা সেলরশিং অদু থাদোরকখ্রে। মখোয়না ইন্দিজয়াদা হনখিনবগী অখন্নবা থৌরাং পায়খৎলে হায়না ইন্দিয়ন ফোরেন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় সয়িদ অকবর উদ্দিননা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না তানা ফোঙদোকখিবদা কেপ্টেন জেম্সনা থেংলবসু ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্তগী মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উনবা ফংলগনি। মখোয় থাদোকখিবগী পাউ অদু ভিএনাদা লৈবা ইন্দিয়ন হায় কমিশ্নরগী ওফিসনা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

জেম্সকী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মহাকপু থাদোকহন্ননবা অকনবা খোঙজং চঙশিনখিবনি। মদুগী তুংদা মহাক্ক থা ১১দা ঙাইরিবা মচানুপা অমা লৈখিদে। হৌজিক নুপামচা অদুগী অশিবা হকচাং অদু হোস্পিটালগী মোর্গতা থম্লি। হকচাং অদু মহাক্কী অপোকপা জেম্স থাদোরক্লবা মতুং অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

জেম্সকী লোয়নবী অদিতিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, মখোয় অঙকপা ফাওই। ঙরাং ফাওবদা থাদোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈখিদে। জেম্সকী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোরেন মিনিষ্টর উনখি। মদু মখোয়না প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহোন সিংহ মমাঙ চয়োলদা উনদুনা হীরম অদুদা খূৎ থিংজিনবীদুনা ইন্দিয়াগী সেলরশিং থাদোকহন্নবা হায়জখ্রবা মতুংদনি।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সননা হীরম অদুগী মতাংদা অকূপ্পা ৱারোলশিং ফোঙদোকউ হায়বদি য়াখিদে। থোকখিবা থেদোক অদুনা মতম অমত্তদা ইন্দিয়ন মেরিনশিং ফাজিনখিবগী অনীশুবা থৌদোক্লি হায়রি। ইন্দিয়ানা অন্তরজাতিগী মতেংগা লোয়ননা লল্লোন–ইতিক্কী জহাজশিংবু পাইরেটশিংগী মখূৎতগী ঙাক–শেন্নবা হোৎনরি হায়রি।

# ঙমখৈ ৱাংমদগী স্নাইপর কাপশিল্লকপদা বি এস এফ ওফিসর অমা শোক্লে

*সিমলা, দিসেম্বর ১৯ঃ* জম্মুগী কথুৱা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হিরা নগরগী ঙমখৈগী লমদমদা ঙমখৈ ৱাংমদগী স্নাইপর কাপশিল্লকপদা বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সকী ওফিসর অমা শোক্লে।

বি এস এফকী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখিবদা, শগোলশেন নুমিৎতা ইন্টরনেশনেল বোর্দরদগী ঙমখৈ ৱাংমা লান্না স্নাইপর কাপশিল্লকপগী থৌদোক অদুদা সব–ইন্সপেক্টর জাতিন্দরদা পানখি। খূদক্তা শোক্লবা জাতিন্দরবু গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংখি। হৌজিক মহাক্কী হকচাংগী ফীভম খুদোংথীনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

থোক্লিবা থৌদোক অদু জম্মু লমদমদা থা অসিগী ওইনা সীজ ফায়রগী নিয়ম থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী অহানবা থৌদোক্লি হায়রি।

মমাঙদা পুঞ্চকী বি জি সেক্টরদা মমাঙ থাগী ২২দা সীজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক থোকখি। চহী অসিদা নিয়ম থুগায়দুনা এটেক চথরকখিবগী থৌওং ১৯৬ থোকখি। মদু মমাঙ চহীগা য়েংনবদা কা–হেন্না ৱাংলবনি। মমাঙ চহীদা অদুগুম্বা থৌদোক অদু ৯৩খক্তমক থোকখি হায়রি।

চহী অসিদা লাইন ওফ কন্ট্রোল লানশিন্দুনা চঙনবা হোৎনবা টেরোরিষ্ট ২০ হাৎখি। অদুগা ইন্দিয়াগী মায়কৈদনা আর্মি পর্সনেল ১৫ শোকখি, অমনা শিহনখি।

মমাঙ চহীদদি সীজ ফায়রগী নিয়ম থুগায়দুনা এটেক চথরকপদা লান্মী ৬খক্তমক অশোক অপন নংখি হায়রি।

# মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর টামিল নাডুদগী ওইগনিঃ এ আই দি এম কে

*চেন্নাই, দিসেম্বর ১৯ঃ* টামিল নাডুদগী লীদর অমনা লৈবাক অসিগী লুচিংবা ওইহনগদবনি হায়না ওল ইন্দিয়া অনা দাবিদ্রা মুনেট্রা কজাগম (এ আই এ দি এম কে)গী জেনরেল মীটিং পাঙথোক্তুনা ৱারেপ লৌখ্রে।





ৱারেপ অদুনা টামিল নাডুগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং এ আই এ দি এম কেগী লুচিংবী জয়াললিথাবু প্রাইম মিনিষ্ট্রিয়েল কেন্দিদেটনি হায়নদি মমিং পনখিদে। মমাঙদা জয়াললিথাবু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা পোষ্ট অদু পায়ননবা পার্টি অদুনা প্রপোজ তৌখিবদি লৈখি।

পার্টিগী ৱারেপ অদুনা হায়, গুজরাটতগী প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট অমা লৈবা য়াই, পঞ্জাবতগীসু ওইবা য়াই। ঙসিদি টামিল নাডুদগী মীওই অমনা লৈবাক অসিবু লুচিংগনি।

জেনরেল মীটিং অদুনা জয়াললিথাদা সেন্টরদা এল্লায়ন্স তৌনবগী অয়াবসু পীখি।

এ আই এ দি এম কেনা মহাক্কী পার্টিগী মীওইশিংদা লাক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখলদা ষ্টেট অদুগী ওইনা লৈবা সীট ৩৯ মক্তদা নমথদুনা পার্টি অদুনা মায় পাক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি।

পার্টি অদুনা অরোইবা ৱারেপ ওইনা সেন্টরদা চুংশিন্নবা সরকার শেম্বা য়াবগী অয়াবা পীখি। অমুক্কা হন্না কলম্বোদা পাঙথোকখিবা চৌগম মীফমদা টামিলগী ঙা ফাবশিংবু শ্রিলঙ্কাগী নেভিনা ফাজিনবা অমসুং নেভিশিংবু ইন্দিয়াদা ট্রেন তৌহনবা য়াহনবগী ৱাফম্বু ওপোজ তৌখি।

মীটিং অদুনা অফ্রিকাগী অহানবা প্রসিদেন্ট নেসলসন মন্দেলা অমসুং পেরুমালগী এম এল এ য়াগাওট লৈখিদবগী অৱাবসু ফোঙদোকখি।

ওল ইন্দিয়া অনা দি এম কেনা অরোইবা ৱারেপ লৌবগী মীফম অদু পার্টি অদুগী প্রসিদেন্ট জয়াললিথানা প্রিসাইদ তৌখি।

# নর্সরিদা এদমিশন তৌবগী গাইদলাইন মমা–মপাশিংনা তরাম্না ওকখ্রে, স্কুল ওথোরিটিনদি পেন্দ্রে



*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৯ঃ* নর্সরিদা এদমিন তৌননবগী গাইদলাইন লাউথোরকখিববু মমা–মপাশিংনা তরাম্না ওকখ্রে। অদুমওইনমক, স্কুল ওথোরিটিনদি মদু মখোয়গী মেনেজমেন্টকী কোটা মাঙহনবনি হায়না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লরি।

স্কুল ওথোরিটিনা মিং চনবদা চৎনগদবা নিয়মশিং অদুদা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি। স্কুল অদুগী কিলোমিটর তরুক্কী অকোয়বদা লৈবা ছাত্রশিংখক্তমক মিং চনবদা খুদোংচাবা পীগদবনি হায়রিবা অদুদা নুংঙাইতবা অদুদা নুঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

প্রাইভেট স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমনা ফোঙদোকখিবদা, কিলোমিটর ৬কী অকোয়বদা লৈবা ছাত্রশিংদা পীরিবা গাইদলাইন অদুনা পোইন্ট ১০০গী মনুংদা ৭০ খুদোংচাবা পীরি। অদুগা অরাপ্পা লৈবা ছাত্রশিংদদি খুদোংচাবা ফংহন্দ্রে।

মীওই অমগী অনকপা মফমদা অফবা স্কুল লৈত্রবদি অতোপ্পা মফমশিংদা এদমিশন তৌননবা য়েংবা দরকার লৈরি। হন্দক পীরক্লিবা নিয়ম অসিনা হীরম অদুদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। পীরক্লিবা গাইদলাইন অদু রাইট টু এদ্যুকেশন্দা অকায়বা পীবনি হায়খি।

দিল্লি সহরদা লৈবা মমা–মপাশিংনদি অনৌবা শেল্লক্লিবা চৎন পথাপ অদু তরাম্না ওক্লি। অদুবু স্কুল ওথোরিটিনদি রাইট টু এদ্যুকেশন্দা অকায়বা পীবনি হায়না পেন্দবা ফোঙদোক্লি।

মমাঙদা লৈরম্বা নিয়মশিংদা কিলোমিটর অমদগীনা অহুম ফাওবদা লৈবা হায়রম্বনি। অদুগা হৌজিক্না কিলোমিটর তরুক্তা শাংদোকহনখ্রে। মদু অচৌবা এরিয়া অমনি। কন্দিশন অদু য়াবা ঙল্লোই হায়না স্কুল ওথোরিটিশিংনদি ফোঙদোরক্লি।

স্কুল ওথোরিটিনা পীরক্লিবা নিয়ম অদু মেনেজমেন্টশিংগী কোটা মুথৎনবা হোৎনবনি। মদু মখোয়গী হক্তা খূৎ থিংজিনবনি। স্কুলশিংদা মমাঙদগী হৌনা শেল–থুমগী অৱাৎপা লৈবা কাঙবুগী ছাত্রশিংগীদমক চাদা ২৫ খাক্তুনা থমখ্রবনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদদি মেনেজমেন্টকী ফীভম অসি মৎলি। মখোয় লন্নাইগী ওইবা স্কুলশিংনি।

মখোয়গী ওইবা হকশিংদা খূৎ থিংজিল্লোইদবনি হায়না সাওথ দিল্লিদা লৈবা প্রোমিনেন্ট স্কুলগী প্রিন্সিপালনা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা প্রাইভেট স্কুল অদুগী ওথোরিটিশিং অথুবা মতমদা মীফম পাঙথোক্তুনা মখোয়গী হকক্তা খূৎ থিংজিল্লক্লিবা অদুগী মতাংদা খন্নরগনি। লোয়ননা মখোয়না চথগদবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনগনি হায়খি।

অদুমওইনমক, সরকারনা পীরকখিবা গাইদলাইনশিং অদুদা মমা–মপাশিংনদি অপেনবা ফোঙদোক্লি। মদু স্কুল মেনেজমেন্ট অমসুং অলুমনাইগী কোটা মুথৎনবা শেল্লকপা অফবা পোলিসিনি হায়রি।

স্কুলশিংনা দোনেশন লৌরি। লোয়ননা মখোয়গী কোটাশিংসু অদুমক লৌরি। অফবা স্কুলদা মমা–মপাশিংনা খুদোংচাবা ফংননবা মচাশিংবু তমহনবা পাম্লি।

অনৌবা গাইদলাইন অদুনা ছাত্র মশীং হেন্না অফবা স্কুলদা তমহনবা ফংলগনি হায়না সাশিল খুন্টেতা কৌবা পেরেন্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুপী পোকপা মমা–মপাশিংনসু মখোয়গীদমক স্কুলশিংদা চাদা ৫ খাক্তুনা থমগদবনি হায়বা ৱাফম অদু তরাম্না ওকই হায়রি।